অনীশুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯

# ব্লু হোক খুরাইনা কে এস দি ও অমসুং অল অমিন লিলোংনা এম বি সী এবু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস)ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন (এম সী এ) গী মখাদা লংথবাল স্পোর্টিং ক্লব (এল এস সী) লংথবালনা শীন্দুনা লংথবাল মন্ত্রিখোং মখা লৈকায়দা লৈবা লংথবাল পব্লিকগ্রাউন্দদা পাঙথো-ক্লিবা অনীশুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা ব্লু হোক খুরাইনা কে এস দি ও অমসুং অল অমিন লিলোংনা এম বি সী এবু মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ২০না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ২৬শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ সীগী কে এস দি ও অমসুং ব্লু হোক খুরাই লম্বা তৌনখি। মেচ অদু কে এস দি ওনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং অমসুং ব্লু হোগনা অহানবা বোল্লিং তৌখি।

অহানবা ইন্নিসংসতা বেট্টিং তৌখিবা কে এস ওনা ওভর ১৯.৫দা ৱিকেট লোইনা তুরগা রন ৭৮ লৌখি। কে এস দি ওগী সবিরনা বোল ৩০দা রন ২৩ অমসুং সাদমনা বোল ১৬তা রন ১০ লৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা ব্লু হোককী গৌতমনা ওভর ২ লংবদা ৱিকেট ৪, সেমসন্না ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ৩ অমসুং ওজিনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ২ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ব্লু হোগনা ওভর ১৩.৪দা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ৮০ লৌরগা মেচ অদু ব্লু হোগনা ৱিকেট ৬তা মায় পাকখি। ব্লু হোগকী গৌতম্না বোল ২১দা রন ৩৩ অমসুং লোকেশ্বরনা বোল ১৫দা রন ১২ লৌখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা কে এস দি ওগী লকিশ্বর অমদি অশিসনা ৱিকেট ২/২ লৌখি। মেচ অদুদা রন ৩৩ অমদি ৱিকেট ৪ লৌবা ঙমখিবা ব্লু হোগকী গৌতম্না মেন ওফ দি মেচ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী ২৭শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী এম ভি সী এ অমসুং অল অমিন লিলোং শান্নখি। মেচ অদু এম ভি সী এনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং অমদি অল অমিননা অহানবা বোল্লিং তৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা এম ভি সী এনা ওভর ২০দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৪৫ লৌখি। বিনোয়না বোল ২৩দা রন ২৪, রোহিন্দ্রোনা বোল ২২দা রন ২৬ অমসুং ভোগেন্দ্রোনা বোল ১৬তা রন ১৭ লৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা অল অমিনগী অবদুলা অমদি হবিবুলানা ওভর ৪/৪ লংবদা ৱিকেট ২/২ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা অল অমিননা ওভর ১৯.১দা ৱিকেট ২ তুরগা রন ১৪৬ লৌদুনা মেচ অদু অল অমিন লিলোংনা ৱিকেট ৮দা মায় পাকখি। ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা রন ৩৯ অমদি ৱিকেট ২ লৌবা ঙমখিবা অল অমিনগী অবদুলানা মেন ওফ দি মেচ তাখি। হয়েং ২৮শুবা মেচ ওইনা অহানবা গ্রাউন্দদা ক্রাও অমসুং ফোর্স শান্নখি। অনীশুবা গ্রাউন্দদা লীগ রাউন্দগী ২৯শুবা মেচ ওইনা পি টি আর সী পাৎশোই অমসুং চেম্প খাগেম্পল্লি শান্নগনি।

অহানবা ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন মেন বোল্লিবোল ২০১৯ হৌদোকখ্রে

# অহানবা মেচতা কে এল ৱাই জি সী (এ) না য়ু এস দব্লিয়ু সী মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস)ঃ কাংমোং লাঙ্গোলজম য়ুথ গাইদেন্স ক্লব (কে এল ৱাই দি সী) না শীন্দুনা ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসন (এ এম ভি এ) গী মীৎয়েং মখাদা কাংমোং লাঙ্গোলজম কাংজৈবুংগী লম্পাক্তা অহানবা ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ হৌদোকখিবগা লোয়ননা অহানবা মেচতা কে ৱাই দি সী (এ) না য়ু এস দব্লিয়ু সীবু মায়থীবা পীখ্রে।

টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা য়ারৌ বমদিয়ারগী জিলা পরিষদ এস মঙলেম্বী লৈমা, কাংমোং হায় স্কুলগী রিটায়ার্দ হেদ মাষ্টর মাইস্নাম পিশক লুৱাং, কাংমোং জি পিগী প্রধান টি ঐচ থোইবা, কাংমোং জি পিগী ৱার্দ নম্বর ৫গী প্রধান ৱাই চাউবা, কাংমোং জি পি ৱার্দ নম্বর ৬কী মেম্বর আই বিনারানি, কাংমোং জি পি ৱার্দ নম্বর ৪গী মেম্বর এস রোসিনি লৈমা, কাংমোং জি পি ৱার্দ নম্বর ৩গী মেম্বর এম বিজেতা, কাংমোং জি পি ৱার্দ নম্বর ১গী মেম্বর সী ঐচ সনাথোই, রন্নরস একাদেমিগী ফাউন্দর এস নন্দো মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট, গেষ্ট ওফ ওনরশিং অমদি স্পিসিয়েল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেচত্র কেএলৱাইদিসী (এ) না য়ু এস দব্লিয়ু সীবু সেট ৩-০ (২৫-২২, ২৫-২০, ২৫-১৭) ত মায়থীবা পীখি।

৫শুবা ঐচ পিশক মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# কে আর এফ সী সগাংনা য়ু কে সী সী এল ওইনাম্বু মায়থীবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মগী শান্নবুংদা চথরকখিবা মঙাশুবা ঐচ পিশক মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮দা কে আর এফ সী সগাংনা য়ু কে সী সী এল ওইনাম্বু মায়থীবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

টিম ১৫না কাঙলূপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরকখিবা মঙাশুবা ঐচ পিশক মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী চীফ হ্বিপ পি সরত, এম পি সী বি অমসুং কে ভি আই গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী চ্যেরমেন এল রাধাকিশ্বর, বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপার্সন এল মনিয়াইমা অমসুং বিষ্ণুপুর-৮গী সোসল ৱার্কর এস জীবননা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ ওইনা ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবদা কে আর এফ সী অমসুং য়ু কে সী সী এল শান্নখিবা মেচ অদুগী অরোইবা তাঙ্কক লোইশিল্লকপদা টিম অনীনা পাঙ্গল ১-১দা লৈনবদগী টাই ব্রেক তাদুনা পেনালটি কাওনখি। পেনালটিদা কে আর এফ সীনা য়ু কে সী সী এলবু পাঙ্গল ৫-৩দা মায়থীবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইখি।

২শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা থর্দ দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# এম ৱাই সী মহারবিনা এফ সী ইম্ফাল ময়ায় কোয়বী মায়থীবা পীখ্রে, ৱাই য়ু সী অমদি সী ৱাই এল সী দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন (আই দব্লিয়ু দি এফ এ) না শীন্দুনা পাৎশোই পার্টটুগী পময়াল গ্রাউন্দদা চথরিবা ২শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা মেমোরিএল থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা এম ৱাই সী মহারবিনা এফ সী ইম্ফাল ময়ায় কোয়বী মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা ৱাই য়ু সী ইরোম মৈত্রাও অমদি সী ৱাই এল সী পিশুম দ্রো চৎখ্রে।

টিম ১২না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা ২শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা মেমোরিএল থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী গ্রুপ বিগী ১১শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১২.৫০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা এম ৱাই সী মহারবি অমসুং এফ সী ইম্ফাল ময়ায় কোয়বী শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌরকপদগী হৌনা টিম অনীনা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফ লোইবা মীৎকুপ ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী এটেক কয়া চথনরবসু পাঙ্গল ওইনা ওন্থোকপা ঙম্নদবদগী মেচ অদু ০-০দা লৈখি। অনীশুবা হাফকী ৬৪শুবা মিনটতা এন ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ৬ এন মুকেসনা এফ সী ইম্ফালগী মায়কৈদা চথরকপা এটেক অমা দিফেন্দ তৌনবা হোৎনবদা ফাওল তারুবদগী রেফ্রিনা য়েলো কার্দ পীখি। মিনট ৫ কান্নরগা মেচকী ৬৯শুবা মিনটতা এম ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ১৭ ৱাই রনবিরনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চনবদা নত্তনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোক্লগা এম ৱাই সীনা পাঙ্গল ১-০দা মাঙজিল থাবদা নত্তনা মায় পাকপগী লম্বীদা চঙশিনখি। মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা এফ সী ইম্ফালগী মায়কৈদগী এম ৱাই সীগী পাঙ্গল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি।



গ্রুপ অসিগী লীগ রাউন্দগী ১২শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৪০ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা ৱাই য়ু সী ইরোম মৈত্রাও অমসুং সী ৱাই এল সী পিশুম শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নখিবনা পাঙ্গল ১-১দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী লোইবা ফাওবদা এটেক কয়া চথনরবসু অহেনবা গোল চনবা ঙমদবদগী মেচ অদু পাঙ্গল ১-১দা দ্রো চৎখি। ৱাই য়ু সীগী পাঙ্গল অদু লুসাংওন অমদি সী ৱাই এল সীগী পাঙ্গল অদু এন কিষননা চনখি।

৯শুবা লমলাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ এন্দ ইনভাটিজস কেন্দ্র মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# সেক্তা এফ সী-বিনা এম এস এফ সী হৈঙাং অমদি ব্রিয়ো কবোংপুটনা এস এস সী শওম্বুংবু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস)ঃ চালৌ য়ুথ য়ুনিয়ন ক্লবনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা চথরিবা ৯শুবা লমলাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ এন্দ ইনভাটিজস কেন্দ্র মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট (চালৌ কপ) ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা সেক্তা এফ সী-বিনা এম এস এফ সী হৈঙাং অমদি ব্রিয়ো কবোংপুটনা এস এস সী শওম্বুংবু মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ২৬না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা ৯শুবা লমলাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ এন্দ ইনভাটিজস কেন্দ্র মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী এম এস এফ সী হৈঙাং অমসুং সেক্তা এফ সী-বি শান্নখিবা মেচ অদু সেক্তা এফ সী-বিনা এম এস এফ সী হৈঙাংবু পাঙ্গল ২-১দা মায়থীবা পীখি। অহুমশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী এস এস সী শওম্বুং অমসুং ব্রিয়ো কবোংপুট শান্নখিবা মেচ অদুগী অরোইবা তাঙ্কক লোইশিল্লকপদা ব্রিয়ো কবোংপুটনা এস এস সী শওম্বুং য়াম্না লাকচনা পাঙ্গল ৫-০দা মায়থীবা পীখি।

ফর্ষ্ট লাইরেম্বী কপ ২০১৯ ভিলেজ ওপন নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# এন জি এল লৌরেম্বম মায় পাকখ্রে, এম পি ৱাই সী অমদি নোংব্রং এফ সী-এ অমসুং এন এফ সী অমদি এন কে জে সী দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস)ঃ নুংব্রং এফ সীনা শীন্দুনা ফুটবোল ক্লব অসিগী শান্নবুংদা চথরিবা ফর্ষ্ট লাইরেম্বী কপ ২০১৯ ভিলেজ ওপন নাইন এ সাইদকী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা এন জি এল লৌরেম্বম মায় পাকখ্রে। অদুগা এম পি ৱাই সী মোইরাংপুরেল অমদি নোংব্রং এফ সী-এ অমসুং এন এফ সী নিংথৌনাই অমদি এন কে জে সী কৈথেলমানবী দ্রো চৎখ্রে।



টিম ১৮না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ মরি থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা ফর্ষ্ট লাইরেম্বী কপ ২০১৯ ভিলেজ ওপন নাইন এ সাইদকী লীগ রাউন্দগী ২১শুবা মেচ ওইনা ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী এম পি ৱাই সী মোইরাংপুরেল অমসুং এন এফ সী-এ নোংব্রং শান্নখিবা মেচ অদু পাঙ্গল ১-১দা দ্রো চৎখি। ২২শুবা মেচ ওইনা অনীশুবা গ্রাউন্দদা এন এম এল এস সী অমদি এল ৱাই সী শান্নগদবা মেচ অদু এল ৱাই সী লাক্তবদগী এন এম এল এস সী ঙারিয়ান্না ৱাক ওভর ফংখ্রে। ২৩শুবা মেচতা এন সী এল লৌরেম্বম্না এ দব্লিয়ু বি আর ৱাই সী অন্দ্রোবু পাঙ্গল ২-১দা মায়থীবা পীখি। ২৪শুবা মেচতা এন এফ সী অমদি এন কে জে সী পাঙ্গল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে।

২৮শুবা কে সী মালিক মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# দিগর ঐচ এস সী টিমনা ন্যু লাইফ ক্লব টিমবু মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস)ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (আই জে এস এ) জিরিবাম্না শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা জন্যুৱারী ২৮দগী হৌদুনা চথরক্লিবা ২৮শুবা কে সী মালিক মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল নোক আউট ষ্টেজগী মেচতা দিগর ঐচ এস সী টিমনা ন্যু লাইফ ক্লব টিমবু মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

টিম ১৫না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ কয়া থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা ২৮শুবা কে সী মালিক মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ক্বার্টর ফাইনেল নোক আউট ষ্টেজকী ৩শুবা মেচ ওইনা ঙসি দিগর ঐচ এস সী টিম অমসুং ন্যু লাইফ ক্লব টিম লম্বা তৌনখি। মেচ অদু ন্যু লাইফ ক্লবনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা দিগর ঐচ এস সীনা বোল কাওবা হৌখি। মেচ অদুগী অঙনবা মতম ৬শুবা মিনটতা ন্যু লাইফ ক্লবকী জর্সি নম্বর ১৩ গিনমিনসেননা মেচ অদুগী অহানবা পাঙ্গল চন্দুনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোক্লগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ন্যু লাইফ ক্লবনা ১-০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী ৫৫শুবা মিনটতা দিগর এস ঐচ সীগী জর্সি নম্বর ৫ রামজাওরেন্না চনখিবা পাঙ্গল অদুনা ন্যু লাইফ ক্লবকী মাঙজিল থারিবা অমত্তা ঙাইরবা পাঙ্গল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু টিম অনীনা পাঙ্গল ১-১দা লৈনখি। মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা দিগর ঐচ এস সীনা ন্যু লাইফপু পাঙ্গল ৪-২দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙখি।

৬১শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ নীংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# এইম খাবম লমখাই অমসুং রাও লাইরিকয়েংবম লৈকায় মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) না শীন্দুনা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাকপগুম হন্দক চহীগী ওইনা খুমন লম্পাক্কী আর্টিফি-সিএল টর্ফগ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ৬১রকশুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচতা এইম খাবম লমখাই অমসুং রাও লাইরিকয়েংবম লৈকায় মায় পাকখ্রে।

টিম ২৬না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ মরি থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা ৬১রকশুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯ লীগ রাউন্দগী ১৪শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ১১.৩০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা মুভানলাই এথলেটিক্স অমসুং রাও লাইরিকয়েংবম লৈকায় শান্নখি।

মেচ অদুগী অহানবা মীৎকুপ্তগী লোইবা ফাওবদা রাওনা মুভানলাই এথলেটিক্সপু য়াম্না লাকচনা শান্নখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা রাওনা মেচ অদু পাঙ্গল ৪-০দা মাঙজিল থানা চৎখি। অনীশুবা হাফ লোইশিল্লকপদা রাও লাইরিকয়েংবম লৈকায়না মুভানলাই এথলেটিক্সপু পাঙ্গল ৪-৩দা মায়থীবা পীখি।

ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী ১৫শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা এন সী ক্লব অমসুং এইম খাবম লমখাই শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা পাঙ্গল অমত্তা চন্নদনা মেচ অদু ০-০দা লৈনখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপগা টিম অনীগী মায়কৈদগী মেচ অদু মায় পাক্ক বগীদমক পাঙ্গল চন্নবা য়াঙনা শান্নরকপা হৌনরকখি। মেচকী ৭৪শুবা মিনটতা এইমগী জর্সিনম্বর ২৩ কে ঐচ সিটলজিৎনা চনখিবা অমত্তা ঙাইরবা পাঙ্গল অদুনা মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা এইম খাবম লমখাইনা এন সী ক্লবপু পাঙ্গল ১-০দা মায়থীবা পীখি।



HL-B/5178/6/02-10/4(alt.)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com